ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯃꯦ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯴꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, মে ০৬, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৪১শুবা মশীং

মপান্দা পন্দুনা লৈরিবশিং পুশিল্লকপা

অচঙবা শেনফম পূম্নমক লৈঙাক্না পুথোকপা মথৌ তাই

কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবদা খ্বাইদগী চাউনা অৱাবা মায়োক্নরিবসি মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংনি হায়বা য়াই। ময়ূম থাদোক্লগা অতোপ্পা ষ্টেটতা থবক শূরিবা মীওইশিং মতম শাংনা থবক শূবা ফংলক্তবনা চরা হেনবা য়াওনরে। লৈবাক্কী ওইবা য়াম্না লুবা তানফম অমা মায়োক্ন রকপদগী তঙাইফদনা লোকদাউন থম্লকপনি হায়বা তারগসু মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংগী অৱাবদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবা ৱাৎলি হায়বগী ৱাকৎ কয়া তাবা ফংলি। হীরম অসিগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী পুখৎনরক্লিবা ৱাফমদি কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরকপা হৌগৎলকপদা এয়র ইন্দিয়াগী অখন্নবা ফ্লাইট শীজিন্নরগা চাইনা, ইটলি, জপান অমসুং ইরান্দগী ইন্দিয়ন কয়া শেল অমত্তা লৌদনা হোঙ্জিল্লকখি। অদুবু তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংগী মতাংদা থৌশাবিদে হায়বসিনি। রিপোর্ট অমনা হায়, জন্যুৱারী ৩১দগীনা মার্চ ২২ ফাওবদা এয়র ইন্দিয়াগী অখন্নবা ফ্লাইট মঙা শীজিন্নরগা চাইনা, জপান অমসুং ইটলিদগী ইন্দিয়ন ১,০০০ রোম শেল অমত্তা লৌদনা হোঙ্জিল্লকখি। খ্বাইদগী ইহান হান্না কোভিদ-১৯গী ইপিসেন্টরনি হায়নরম্বা চাইনাগী ৱুহান সিটিদা এয়র ইন্দিয়াগী বোইং ৭৪৭ জম্বো এয়রক্রাফ্ট পাইশিল্লগা তাঙ্কক অনী থোক্না ইন্দিয়ন ৬৪০ রোম হোন্দোরকখি। জন্যুৱারী ৩১ অমসুং ফেব্রুৱারী ১দা তাঙ্কক অনী থোক্না স্পেসল ফ্লাইট পাইশিল্লগা ইন্দিয়নশিং হোন্দোরকপদা চঙবা লুপা ক্রোর ৬ লোম লৈঙাক্না পুথোকখি। ফেব্রুৱারী ২৬তা এয়র ইন্দিয়াগী অখন্নবা ফ্লাইট অমা পাইশিল্লগা জপানিজ ক্রুজ শিপ ‘দাইমন্দ প্রিন্সেস’ তা পন্দুনা লৈখিবা ইন্দিয়া মচা ১১৯ রেস্ক্যু তৌখি। মতমদুদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ফ্লাইট অমা পাইশিল্লগা জপান্দা পন্দুনা লৈরম্বা ইন্দিয়ন ৭৬ হোন্দোরকখি। মার্চ থাদসু এয়র ইন্দিয়াগী অখন্নবা ফ্লাইট শীজিন্নরগা ইটলিগী সিটি অনী - মনিলা অমসুং রোমদগী মথংশীৎনা ইন্দিয়ন ২১৮ অমসুং ২৬৩ হোন্দোরকখি। মদুদা চঙখিবা লুপা ক্রোর কয়ামরুম লৈঙাক্না পুথোকখিবা ঙাক্তনি।

হৌজিক খন্ননীংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং হোন্দোক-হোঙ্জিন তৌবদা চঙবা শেনফম পূম্নমক লন্নাই ওইনা মশা-মশাদা পুথোকহল্লি হায়বগী ৱাথোক অমা থোরক্লিবসিনি। মপান লৈবাকশিংদগী ইন্দিয়ন পূম্নমক হোঙ্জিল্লকপা নৎত্রগা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং হোনবদা চঙবা শেনফম পূম্নমক লৈঙাক্না পুথোকফম থোকই হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরক্লি। মতম শাংনা থবক শূফম-নোম্ফম লৈরক্তবদগী চরা হেল্লবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংদা বস অমসুং ত্রেন তোংবগী অতোংমল পুথোকহল্লি হায়বা ৱাফম তাবদা কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং ত্রেন অমসুং বসতা হোন্দোক-হোঙ্জিন তৌবদা চঙবা শেনফম পূম্নমক কোংগ্রেসনা পুথোক্লগনি। গুজরাটতা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প লাকপগী মতাংদা লৈঙাক্না লুপা ক্রোর ১০০ হেন্না চাদিং তৌখি হায়না পল্লদুনা সোনিয়া গান্ধীনা হায়খি, ইন্দিয়ন রেলৱেজনা পি এম-ক্যের ফন্দদা লুপা ক্রোর ১৫১ দোনেট তৌখি। অদুবু পাম্বৈ লৈজদ্রবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংদগী ত্রেন অতোংমল লৌরিবসি লাইবক থীবনি। অমরোমদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি লভ অগরৱালনা হায়খি মদুদি মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং হোন্দোক-হোঙ্জিন তৌবদা চঙবা শেনফম চাদা ৮৫ ইন্দিয়ন রেলৱেজনা পুথোক্লগা চাদা ১৫না মরী লৈনবা ষ্টেটনা পুথোকপনি। কোংগ্রেসনদি মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংদা ত্রেন অমসুং বস তোংবগী অতোংমল পুথোকহল্লি হায়না মরাল শীরি। ৱাফম অসি চুম্বা তারবদি মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংবু লৈবাক্কী সিটিজন ওইনা লৌদবগী থৌওংনি হায়বা য়াই।

◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

চীং-তমগী মরক্তা অৱা-অনা মতেং পাংনরকপা উবদা নুংঙাই

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মৈহৌরোলদগী হৌনা চীং-তম অনীগী মরক্তা নুংশিনরকপা অমদি মচিন-মনাউ ওইবগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শেংলবা মরী অদু ঙসিদি অমুক্কা হেন্না চেৎশিলকপা উবদা অপেনবা ফাওই। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লোকদাউন তৌখিবদগী চান-থকনবা পোৎলমশিং লৈশিল্লক্তবগী অৱাবা কয়া থেঙনরিবা চৈরক অসিদা তমদা লৈবা মনাউশিংগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈত্রে তাবদগী চীংগী মীওইশিংনা মখোয়গী ইঙ্খোলদা হৌজবা ঙমজবা এঞ্জাং নাপী পুরক্তুনা য়াম্লবসু য়ামদ্রবসু লাক্তুনা পীরিবা অসি তশেংনা পূক্নিং নুংশিবা অমা ফাওবগা লোয়ননা অফবা খোঙথাং অমনি খল্লি। মখোয়বু তৌবিমল খঙবা উৎপা ওইনা তমদা লৈরিবা ইচিন-ইনাউশিংনসু করিগুম্বা খরদি তৌফম থোকই। মরুওইনা হৌজিক ৱারিবা মতম অসিদা অঙম্বা মতেং খরা পাংলবদি পূম্নমক্কী অপেনবা হায়বদু ওইগনি খল্লি। মীয়াম পূম্নমক ৱানরে অদুবু তমদা লৈরিবা মীওইশিং অসিদগী চিংদা লৈরিবা ইচিন-ইনাউশিংনা অমুক্কা হেন্না ৱানা পুন্সি লেল্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা লৈঙাক্নসু মখোয়গীদমক হৌজিক-হৌজিক লৈঙাক্না মতেং পাংবিরিবা অসিগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না করি-করম্বা মতেং পাঙবা য়াবগে হায়বদু খন্থবিদুনা তৌহন্নিংই।

লোকদাউন হৌরকপা মতম অদুদা চীংগী ইচিন-ইনাউশিংদা চেঙ কেজি মশীং য়ামদনা পীবগী পাউ তাখিবা লৈ। অদুবু মতুং তারকপদদি ফংফম থোকপা চাং অদু ফংলে হায়না তাবদা নুংঙাইবা ফাওই। মরম অদুনা হৌজিক ৱানরবা মতম অসিদা অৱাৎ-অপা লৈত-লায়রা তাথোক-তাশিন তৌনদুনা অমনা-অমগী মতেং পাংনদুনা য়াম্না ফজবা লেমজনিংঙাই ওইবা খুন্নাই অমগী মশক ওইনবা ঐখোয় পুম্নমক্না হোৎনমিন্নসি। লোকদাউন তৌখিবদগী ৱারিবা অসিদগী পারা অমসু তমহৌবা ফৈ। হন্দক্কী লোকদাউন মনুংদা পৈশা লৈরবসু পোৎচৈ লৈবা ফংনখিদে। লমদম অসিদা চীং অমদি তমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মরাং কায়না পুথোক্তুনা মীপান তাংদবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। লৈঙাক্না লৌ-শিং উনবা অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং থানবগী লম্দা খুমাং চাউশিন্নবা হোৎনহন্নিংই। হৌজিক লৈঙাক্না পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসি অফবা স্কিম ঙাক্তনি। তৌবতবু স্কিমশিং অসি মীওই খরগী খুৎতা তাহনবগী মহুৎতা পূম্নমক্না স্কিম অদুগী কান্নবা ফংনবা অখন্নবা থৌরাং অমা শীনবিয়ু হায়জরি।

অদোমগী - খাইদেম বিনোই
লম্লাই ময়ায় লৈকায়

ৱর্ল্ড রেদ ক্রোস দে, ২০২০
(থিম - কীপ ক্লেপ্পিং ফোর ভল্যুন্টিয়রস)

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা

মে ৮, অসি রেদ ক্রোসপু হৌদোক্লকম্বা স্বিটজরলেন্দ মচা মালেমগী অহানবা নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখিবা Henary Jean Dunant কী মপোক নুমিৎনি। Henary Dunant কুমজা ১৮২৮দা জেনেভাদা পোকখি। মহাক্না মালেম মীয়ামগীদমক তৌরম্বা থবক কয়াবু শিংথাদুনা নুমিৎ অসিবু ৱর্ল্ড রেদ ক্রোস দে হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। লানগী মতমদা মীচং মীখায় নাইদনা নাকল অনীমক্কী অশোক-অপন নংলবা মরাইবক থীরবা কয়াবু অঙম্বা মতেং পাংবা অমদি পিছকী মতমদা মহৌশানা থোকহনবা অৱা-অনা দিজাষ্টর কয়াদা খুদোংথীবা তারবা মীয়াম্বু মতেং পাংবা, শিবগী চাং হন্থহনবা, লায়না লায়ওং কয়ানা পাক শন্না ইপিদেমিক অমা ওইনা শন্দোরকপদা মীয়ামদা ৱাখল তাহন্দুনা অমদি পীবা য়াবা মতেং পীদুনা শিগদবা কয়াদগী কনবা, মনুং হঞ্জিনবা মফম কয়াদা চত্তুনা হকশেলগী পাউজেল পীবা লোয়ননা মেদিকেল কেম্প কয়া পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা লায়েংগী মতেং ফংহনবা, কা হেন্না খুদোংথীবা দিজাষ্টর নৎত্রগা ইপিদেমিক কয়াদা খুনগী মীয়ামদা, সিভিল সোসাইটিদা অমদি মেম্বরশিংদা মতম মতমগী ওইবা পূক্নিং লৌশিং পীদুনা করম্না মীয়াম্বু লুরবা সিচুয়েসন কয়াদা মতেং পীগদগে হায়বগী ত্রেনিং পীবা হায়বসিনা রেদ ক্রোসকী মরু ওইবা থৌদাংনি। ঙসিদি রেদ ক্রোস অসি মালেমগী লৈবাক ১৭০ হেনবদা ভোল্যুন্টিয়র মেম্বর মিল্লিয়ন ৯৭ হেন্না লৈরে। মসিনা চহী খুদিংগী ওইনা মালেমগী মরাইবক থীরবা মীওই মিল্লিয়ন ২৩৩ হেনবদা মখল কয়াগী মতেং পাংদুনা লাক্লি।

হৌজিক মালেম অসিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা লায়না লাইচৎ অমা থোরকপদগী মালেমগী মীপূম খুদিংমক মীপাই থবাইনরি। চাওখৎলবা লৈবাক কয়াদা লাইচৎ অসিনা লান্দারক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমখিদ্রে। কয়া অমা পোজিটিভ ওইদুনা ফমুংদা অশিবগা লাম্থেংনরি, হয়েং করি ওইগদগে হায়বা ঙমদ্রি। কয়া অমসু নারকখিগনি হায়বগী অকিবনা মীপূম খুদিংমক থৱায় নীক্লি। মসিদা মীয়ামগী মাঙদা চোঙথোক্তুনা অসিগুম্বা অৱা-অনা কয়াদা অমদি অনা-অয়েক কয়া অসিদা মতেং পাংনবগীদমক মালেমগী লৈবাক ১৭০গী ভল্যুন্টিয়র মিল্লিয়ন ৯৭না শিগনি-নাগনি হায়বা কিদনা মাঙ থানা চোঙথোক্লি। মীয়ামগী থবক তৌরি। মণিপুরদসু দিষ্ট্রিক্ট কয়াগী ভোল্যুন্টিয়র কয়ানা সোসল দিষ্টেন্সিং মেন্টেন তৌনবা অয়ূক্তগী হৌনা কোয়চেন চেন্দুনা হোৎনরি। য়াম্না শিংথানীংঙাই ওইবা মওংদা থবক পাঙথোক্লি। লৈঙাক অসিগী মায়কৈদগী অদুক কা হেন্না থাগৎ ৱাহৈ ফংদ্রবসু লমদম অসিদা তমথীবা লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা কন্না হোৎনরি। খুদোংথীবা তারবা মীওই কয়াদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপা, কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিংদা মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি হেন্দ গ্লোবনচিংবা য়েন্থোক্তুনা মীয়ামগী পূক্নিং থৌগৎলি। লৈরিবা অকিবা অসিদগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোক্নবা কন্না হোৎনরি। মসিনা মণিপুরগী ৱানি, ইন্দিয়া অসিদা অমদি মালেম অসিদা লৈরিবা ভল্যুন্টিয়র পূম্নমকশিং অমত্তা লোকদাউনগী মতম অসিদা ময়ূমদা ফমদুনা লৈথোক্নবা ঙম্নদে, থোরক্তুনা মীয়ামগী মতেং পাংলি।

চৈরক অসিদা ৱর্ল্ড রেদ ক্রোসকী নুমিৎ ওইরিবা মে ৮না লাকপদা কুম খুদিংগী ওইনা থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাক শন্না পাঙথোক্নরম্বা থৌরম অসি কুমসিগী ওইনদি কা হেন্না পাক শন্না পাঙথোক্লোইদৌরি। মদুগী মহুত্তা মাঙজিন থানা চোঙথোক্তুনা মীয়ামগী থবক তৌরিবা ভল্যুন্টিয়রশিংদা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা মখোয়গী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎলসি হায়বা থিম অসি মালেম শিনবা থুংনা অচম্বা থৌরম ওইনা পাঙথোক্কদৌরি। ভল্যুন্টিয়রশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা খূবাক খুদুনা মবুক্নিং থৌগৎপা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। এপ্রিসিএসন অমনি, মী অমনা তৌবা অমনা শিংথানদবা, অমনা তৌবদা ৱায়েৎ অমা য়েত্তবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন অসিনা লাকশিল্লক্তুনা মীয়ামগী অপূনবগী শক্তম হায়বদু মচেৎ কয়া থোক্না থুগাইনরক্লবা মতম অসিদা হন্দক্কী ৱর্ল্ড রেদ ক্রোসকী থিম অসিনা মীয়ামদা অনৌবা ৱাখল লৌশিং অমা শোয়দনা থোকহল্লগনি থাজে। মণিপুরদসু থৌরম অসি চাউনা শীল্লোইদৌরি। অদুবু নুমিৎ কয়ানিগী মমাঙদগী ভল্যুন্টিয়রশিংনা রিমস অমদি জেনিমস হোস্পিটাল অনীমক্তা ভলুন্টরি ব্লদ দোনেসন লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা ব্লদ দোনেসন তৌনরি। অসিগুম্বা চিরবা, ৱারবা মতম অসিদা রেদ ক্রোসকী ভল্যুন্টিয়রশিংনা মীয়ামগী তেংবাংগীদমক ঈ কৎলিবা অসিদগী হেনবা অতৈ অতোপ্পা করি অমা অমুক লৈখিগদগে। ঈ কৎপীরিবা ভল্যুন্টিয়র পূম্নমক্তা ইশামক্কী মায়কৈদগী অমদি মীয়ামগী মহুৎ শীঞ্জদুনা খূবাক খুদুনা ভল্যুন্টিয়রশিংবু পূক্নিং থৌগৎচরি।

মণিপুরদসু চহী ৫৮গী মমাঙদগী মতমদুগী মবুকচেল চাউবা অমদি মীয়ামগী অঙম্বা মতেং পাংগদবনি হায়বা ৱাখল পূক্নিং মান্নবা অহল লমনশিংনা পূনশিন্দুনা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ লীংখৎলকখি। হৌরকপদগী হৌনা ব্রাঞ্চ অসিনা অঙম্বা শেনখায় খায়নদুনা মতম মতমগী থোরকপা দিজাষ্টর কয়াদা অমদি লৈত-লায়র কয়াদা মীয়ামগী মতেং পাংদুনা লাকখি। ঙসিদি দিকেদ অনীমুকসিদা রেদ ক্রোসকী এক্টিভিটি কয়া অসি কনখৎলক্তুনা মণিপুরগী কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা শন্দোকপা হৌরক্লে। মণিপুরদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বদা মসিগী মসা লোইশঙশিং হাংদোকখ্রে। চুড়াচান্দপুর, সেনাপতি, উখ্রুল, তমেংলোং, চান্দেল, থৌবাল, ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ হাংদোক্তুনা রেদ ক্রোসকী মপাঙ্গল অসি হেন্না হেন্না কনখৎনবা হোৎনরক্লি। মণিপুরদি কনফ্লিক্ট জোন ওইবা অদুগীসু মথক্তা লম্বী থোং ফত্তবা, কাঙলূপ ফুরুপ কয়া তাবনা পামদবা থৌওংশিং মরক-মরক্তা থোক্লি। মসিগী মথক্তা মহৌশাগী ওইবা দিজাষ্টর কয়া অমসু তোইনা থোক্লি। পূম্নমকশিং অসিগা লোয়ননা পেন্নবা-পেন্নদবা কয়া অমসু লৈবনা তোঙান-তোঙানবা ঈহৌ কয়া মরক-মরক্তা থিংবা ঙমদনা থোক্লিবনি। অসিগুম্বা কয়া অসিদা রেদ ক্রোসকী থৌদাং অসিসু অসুক্কী মতিক চাউরি। লম্বীগী এক্সিদেন্টতা অশোক-অপন নংলবশিং, য়ুহা হাবদা, ঈশিং ঈচাওদা, মৈহৌ-লাংপোক্তা, কাঙলূপকী ঈরাংদা, বোম পোকখায়বা, কাপ্পবা, মদস্লাইদ অমদি কাঙলূপকী ওইবা ঈহৌ কয়াদা অশোক-অপন নংলবশিংদা রেদ ক্রোসকী ভল্যুন্টিয়রশিংনা চেনশিন্দুনা মতেং কয়া পাঙদুনা লাক্লি।

রেদ ক্রোসকী মুভমেন্ট চাওখৎলকপা হায়বসি মীয়ামগী য়াইফবনি। হীরম কয়াদা শোথরিবা অমদি মতম মতমগী থোরকপা দিজাষ্টর অমদি অতৈ হীরম কয়াদা রেদ ক্রোসকী ভল্যুন্টিয়রশিংনা মাঙজিন থানা চোংথোক্তুনা তৌরিবা থবক অসিদি কনাগুম্বা খরনা অমদি কাঙলূপ অমত্তনা মহুৎ শীনবা ৱারগদবনি। লৈঙাক্না পাঙথোক্কদবা থবক থৌরম কয়াদা রেদ ক্রোস ভল্যুন্টিয়রশিংনা তেংবাংবা ওইনা পুকচেল তিংনা খরদা ওইরসু অঙম্বা পাঙথোক্লিবা অসি মায়কৈ কয়াদা লৈরিবশিংনসু পূক্নিং থৌগৎফম থোকই। লমদম অসিগী নহাশিংনসু রেদ ক্রোসকী ভল্যুন্টিয়র ওইবীদুনা মীয়ামগী থবক হেন্না মায় পাক্না তৌবা মতমদা শরুক য়াহন্নীংই। ●

কোভিদ-১৯গী লায়েং-পথাপ থিরকপদা লামাগী তোপ-তোপ্পা এন্টিবোদিশিং থেংনরকখিবা

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

ৱিন্টর (মোং ইথং থংনা লেপ্লিবা) অমসুং অতৈ লামাশিং

ইখঙ খঙহৌদনা শন্দোরকখিবা কোভিদ-১৯না ঙসিসু মালেমসিদা অকি-তুজুং পোকহল্লি। অনা-লায়েংগী শিনফমদা চঙলুরবা কয়া অমনা লায়নাসিনা নারবা কয়াবু শিবা-চংবা কিদনা লায়েংলি। অতোপ্পা অমরোমদনা, থিজিনবগী লম্দা মপুন্সি কৎথোক্লবা সাইন্টিষ্ট, এঞ্জিনিয়র অমসুং থিজিল্লোয় কয়ানা কোভিদ-১৯ পোকহল্লিবা ‘সর্স-কোভ-২’ বু মায়থীবা পীনবগীদমক ভেক্সিন, হীদাক-লাংথক নৎত্রগা অতোপ্পা পাম্বৈ কয়া পুথোক্লবা হোৎনরি অদুগা পুসু পুথোরক্লি। মখোয়গী মরক্তা ক্লিনিকেল ত্রাইএলদা মায় পাকপা য়াবগী খুদম-চাংদম ফংলবা খরসু লৈরি। চৈরকসিদা ওষ্টিনগী য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাসকী থিজিল্লোয়শিংনা লমা/লামা (উট হায়রিবা শাদুগা চপ মান্নবা ফেমিলি অমদা লৈরিবা) হায়না খঙনবা শাসিদা ইথা থাজদবা সর্স-কোভ-২বু মায়থীবা পীবা ঙম্বা এন্টিবোদিশিং য়াওবা থেংনরে হায়না ‘সেল’ চেফোঙ (মে ৫) দা ফোঙদোরক্লি (ইজ রিবা ৱারেং অসিদি ‘প্রি-প্রুফ’ ওইনা ওনলাইন্দা ফংবা অদুদগী লৌথোকচবনি)। থিজিনবা অসিদা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ হেল্থ অমসুং বেলজিয়মগী ঘেন্ট য়ুনিভর্সিটিগী থিজিল্লোয়শিংসু শরুক য়াখি।

মমাঙদা ইজখিবা ৱারেংশিংদসু পঞ্জখ্রে মদুদি সর্স-কোভ-২দা য়াওরিবা স্পাইক প্রোতিনশিংনা মীওইবগী সেলশিংদা চঙলকপা ঙমহল্লি। অদুনা অসিগুম্বা স্পাইক প্রোটিনশিংসিদা অয়েৎপা পীবা ঙম্বা পাম্বৈ অমা পুথোকপা হায়বসি য়াম্নমক মরুওই। টেক্সাসনা লুচিংদুনা থিজিনখিবা অসিদসু অসিগুম্বা স্পাইক প্রোতিনশিংগা পুনশিন্নরগা মথৌ তৌহন্দনা থম্বা ঙম্বা তোপ-তোপ্পা এন্টিবোদি অনীখক লামা হায়রিবা শা অসিদা য়াওরম্বা থেংনরকখিবনি। অহানবগী ওইনা থিজিল্লোয়শিংনা কলচর তৌরবা ভাইরসশিংদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংদা এন্টিবোদিশিং অদুনা স্পাইক প্রোটিনশিংদা অথিংবা পীদুনা মীওইবগী সেলশিংদা চঙলকপা ঙমখিদবা থেংনরম্মী।

য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস ওষ্টিনগী মোলিক্যুলর বাইওসাইন্সেসকী প্রোফেসর জেসন মেকলেলাননা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, ভেক্সিনশিং হায়বসিদি অয়াম্বনা ইনফেক্সন তৌদ্রিঙৈ থা অমা নৎত্রগা থা খরগী মমাঙদা পীবগী মথৌ তাই। কনাগুম্বা অমা ইনফেক্সন তৌরবা মতুংদদি, ভাইরসতুগা লাম্থেংনবা ঙম্বা হীদাক নৎত্রগা এন্টিবোদিগী মথৌ তাই। অদুনা লামাদগী ফংলিবা এন্টিবোদিশিংসি শীজিন্নরগা ইনফেক্ট তৌরবা অনাবা অমবু লায়েংবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। অসিগুম্বা এন্টিবোদিশিং অসিনা, হেন্না খুদোংথিনীংঙাই ওইরিবা অহল ওইরবশিং অমসুং হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংদা য়াম্না কান্নবা পীগনি। মরমদি মখোয়দা ইনফেক্ট তৌরে হায়বসি হেক খঙবগা এন্টিবোদিশিংসিনা মখোয়বু খুদক্তা ভাইরস অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

লামাগী ইম্ম্যুন সিষ্টম্না বেক্টেরিয়া অমসুং ভাইরসকুম্বা মপান্দগী চঙলকপা মহীক অমা থেংনবা মতমদা, লামানা এন্টিবোদি মখল অনীখক পুথোকই : মখল অমনা মীওইবগী এন্টিবোদিশিংগা মান্নে অদুগা অতোপ্পদুনা চাউবগী চাংসি মীওইবগীগা মান্নরিবা অদুগী শরুক মরি থোকপগী অমগুম্বখক্তনি। অসিগুম্বা অপিকপা এন্টিবোদিশিংসি সিঙ্গল-দোমেইন এন্টিবোদি নৎত্রগা নানোবোদিশিং হায়না খঙনৈ। মখোয়সি মনিল ওন্থোক্লগা ইনহেলর/স্প্রে ওইনা শীজিন্নবা য়াই। অদুনা সর্স-কোভ-২না চঙলক্কদবা মরুওইবা লম্বী অনী, চিন অমসুং নাতোনগী ইনহেলর ওইনা শীজিন্নবদা কান্নগনি হায়না থিজিনবা অসিদা শরুক য়াখিবা গ্রেজুয়েট মহৈরোয় দেনিএল রেপনা ফোঙদোক্লি।

ৱিন্টর হায়বসি চহী মরি হেল্লবা, বেলজিয়মগী খুঙ্গং অমগী ফর্মদা, অতোপ্পা লামা অমসুং অলপকা (উট ফেমিলিগী মনুং চনবা) ১৩০ মুক্কা লোয়ননা লৈমিন্নরিবা শা অমনি। ইহান হান্না মঙোন দা পাঙথোকখিবা চাংয়েংসি কুমজা ২০১৬তনি। মতমদুদা মহাক্কী চহীসি থা মাপনমুক্তা ওইরি। থিজিল্লোয়শিংনা সর্স-কোভ-১ (২০০২দা থোকখিবা ইপিদেমিক) অমসুং মর্স-কোভ (২০১২দা থোকখিবা ইপিদেমিক) কী কোরোনাভাইরসশিংদা চাং য়েংখি। মীওইবদা পাঙথোকপা থৌওংগা মান্নবা মওংদা, ৱিন্টরদা কোরোনাভাইরসশিংদুগী ষ্টেবিলাইজ তৌরবা স্পাইক প্রোতিনশিংদু থা তরুক্কী কোর্স ওইনা কাপ্লম্মী। মখা তারকপদা, থিজিল্লোয়শিংনা ঈগী সেম্পলশিং লৌরগা কোরোনাভাইরস অনীদুগী মায়োক্তা থোরকখিবা এন্টিবোদিশিংদু লৌথোক্লম্মী। এন্টিবোদি অনীদুগী মরক্তগী অমনা কলচর তৌরগা ইনফেক্ট তৌহল্লবা সেলশিংবু স্পাইক প্রোটিনশিংদুদগী ঙাকথোকপা থেংনরম্মী।

হান্না ইপিদেমিক ওইখ্রবা সর্স ভাইরস অদুগী মায়োক্তা লামাগী ইম্ম্যুন সিষ্টমনা শুংলকখিবা এন্টিবোদিশিংগী কোপি অনীদুগী মরীদু এঞ্জিনিয়রিংগী পাম্বৈনা শেমদোক-শাদোক্লবা তুংদা হৌজিক পেন্দেমিক ওইরিবা সর্স-কোভ-২ ভাইরসতগী ঙাকথোকপা ঙম্বা য়াই হায়না থাজরিবা এন্টিবোদি অসি শেমগৎলকখিবনি হায়রি। মখোয়না পাঙথোকখিবা লেবোরেটরিদা হৌহল্লবা সেলশিংদা, নৌনা শেমগৎলবা এন্টিবোদি অসিনা সর্স-কোভ-২গী স্পাইক প্রোটিনশিংবু ময়াই চমহনবা ঙমখি হায়না ‘সেল’ গী পাউদমদুদা ফোঙদোক্লি।

অহানবা সর্স-কোভ-১ অমসুং মর্স-কোভকী চাংয়েংশিংদা থিজিল্লোয়শিং অসিনা ইহান হান্না থেংনখিবা এন্টিবোদিশিংদু টি ঐচ ঐচ -৭২ হায়না খঙনৈ। এন্টিবোদিশিংদুনা সর্স-কোভ-১গী স্পাইক প্রোটিনশিংদা কন্না ফাজিন্দুনা লৈরম্মী, অদুনা স্পাইক প্রোটিনশিংনা মথৌ তৌদবদগী সেলশিংদা চংবা ঙল্লমদে। থিজিল্লোয়শিংনা মীওইবদা লায়নাদি পোকহন্দবা ভাইরস (স্যুদোটাইপ ভাইরস) অমদা সর্স-কোভ-১গী স্পাইক প্রোটিনশিংদু জিনেটিক এঞ্জিনিয়রিংগী পাম্বৈনা হাপচিল্লম্মী। মতমদুদা এন্টিবোদি অসিনা সর্স-কোভ-১গী প্রোটিনশিংনা সেলশিংদা ইনফেক্ট তৌবা ঙল্লমদে। অসুম্না মখোয়না সর্স-কোভ-১গী ভাইরসশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা এন্টিবোদিশিং শেমগৎপা ঙমখিবনি।

হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর থাদা সর্স-কোভ-২ পেন্দেমিক লাকপা মতমদা, থিজিন লূপ অসিনা সর্স-কোভ-১গীদমক পুথোকখিবা এন্টিবোদিদুনা কোভিদ-১৯ লায়েংবদা শীজিন্নবা য়াগদ্রা হায়না খনবা হৌরকখি। মখোয়না কোভিদ-১৯গীদমক পাঙথোকখিবা চাংয়েংদা এন্টিবোদিশিংদুনা শোল্লবসু শোন্না সর্স-কোভ-২গী স্পাইক প্রোটিনশিংদা ফাজিন্দুনা লৈবা থেংনরম্মী। ফাজিনবগী চাংসি হেনগৎহন্নবগীদমক থিজিন লূপ অসিনা এঞ্জিনিয়রিংগী পাম্বৈনা ভি ঐচ ঐচ - ৭২গী কোপি অনীখক নৌনা শেমগৎলম্মী। অনৌবা এন্টিবোদি অনীসিনা সর্স-কোভ-১ অমসুং সর্স-কোভ-২ অনীমকপু ময়াই চমহনবা ঙল্লম্মী। হৌজিক থিজিল্লোয়শিং অসিনা কলচর তৌরবা সেলশিংদা চাংয়েং পাঙথোকপসিগী মখা তারকপা ওইনা হামষ্টর নৎত্রগা মীওইবা নত্তবা প্রিমেটশিংদা প্রিক্লিনিকেল ষ্টদিশিং তৌনবা শেম শারি। মদুদা মায় পাক্লবদি ক্লিনিকেল ত্রাইয়ল অমুক তৌখিগনি হায়রি। ●



ভি এইচ এইচ-৭২ না স্পাইক প্রোতিনশিংবু ফাজিনবগী শক্তম